# ‘লৈঙাক্কী অশেংবা মশক’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**



মণিপুরসি লাংহনগে-লাংহল্লোই, মীতৈশিং শাউহনগে-শাউহল্লোই হায়বসি মখোয় খরগী মখূৎতা লৈরি। মদুগী ময়েক লারবা অনৌবা খুদম চাংদম অমনি হন্দক্কী মঙাশুবা শিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী শরুক য়াবা গভর্ণর য়াওবা মণিপুরগী পাউমী কাঙবুশিংদা ইন্দিয়াগী মরিশুবা মহার রেজিমেন্টকী ফোর্সশিংনা উৎখিবা থৌওংদু। মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী গাড়ীদবু মণিপুর থাবা য়ারোই হায়রিবসিবু করিনো? মসিদনি মণিপুরগী মীয়াম্না, মীতৈশিংনা খম থেংনা শাউরিবসি। মণিপুরগী মনুংদসু চৎলিবা লৈঙাক্কী গাড়ীদা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়রগদি লোইরেনে। মপান লমদা চৎলসু অদুম থাদোইনি। মণিপুরগী গাড়ীনি খঙনবা। মণিপুর লৈঙাক্লসু শিনবা ষ্টেট ফেষ্টিবেলগী পাউ কভরেজ তৌবা চৎপা পাউমীশিংগী গাড়ীদা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়রিবসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মখা থাবা সিফাই মচা-মশুশিংনদি করি খঙগনি মখোয়দি মথক থোংবগী ওর্দর ইনবনি। মসিদনি মথক থোংবা ওর্দর তৌরিবসি কনানো? করম্বা অরোনবা এজেন্দাগী মরুমদা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়রিবনো হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙদোকপগী মথৌ তারিবসি। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপদা লৈবাক মীয়াম্না তূমিন্না লৈগদবা নত্তে।

মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম, মীতৈশিং তংদু লৈতাদনা লৈরক্লিবসি কুইরক্লে। মণিপুরবু ইন্দিয়াদা নমদুনা পুনশিনখিবদগী শাংলবা পুৱারী অসিদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনদুনা লাকখি। মদু পূন্নমক্তু লৈবাক মীয়াম্না থেংনদুনা লাক্লি। লৈবাক মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মফম মতমগী ওইনা লাকখিবা শীংনবশিং অমদি কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থোকপা কাঙলূপকী ঈরাং মখোয় মশামক চৎতুনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ ফূরুপকী লুচিংবশিংনা উনদুনা তাইশিনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু হন্দক্কী মতাংসিনা কমদৌখিবা। ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসি খ্বাইদগী মতিক চাদবা অমসুং পুৱারীদা অমুবা ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবা অমা ওইরি। মপান্দগী আইন কায়না চঙশিল্লকখিবা কুকি টেররিষ্ট খরনা লমদমসিগী কুকি নহাশিংবু লান্না লমজিংদুনা মখোয়গী হোমলেন্দ অমা শেম্নবগী পান্দমদা মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈশিংদা নমদুনা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লানসি হেক হৌরকপদা খংলাক লাকশিনবা য়াবদু লাকশিলহৌদবদগী অসুম অসুম শাংদোকখিবনি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা নমদুনা লান্দারগা থোকহনবা লানসিবু মীতৈ অমদি কুকি ফূরুপ অনীগী কাঙলূপকী লান ওইনা উহনখিদুনা ঙসিদি কুকি টেররিষ্টশিং অসিসু ইচম চম্বা মীচমগী থাক্তা লৈরে। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খঙনবু ওইরো খঙদনবু ওইরো কাঙলূপ মশেলগী লান ওইনা লৌবীরে। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী অচঙবা লুচিংবশিংগী মরক্তা অমনি লৌনরিবা মাইনোরিটি এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরসকী মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুমক্লা মণিপুরগী ঈরাংসি কাঙলূপকী ঈরাংনি অমসুং মণিপুরনা নোর্থ ইষ্টকী মশক থীহল্লে কায়নসু হায়খি। চপ মান্নবা মীৎয়েংনি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর অনীমক্লা মণিপুরগী ঈরাংসিদা য়েংলিবা মীৎয়েংসি। কাশ্মীরগী পহলগামগী টেররিষ্টকী থৌওংদা খম থেংনা অশাউবা পোক্তুনা পাকিস্তান্না য়োকখৎপা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা ‘ওপরেশন সিন্দুর’ চথদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা লমন খুন্বা ঙমখিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিনা হূমদুনা পুরিবা এন দি এ লৈঙাকসিনা জিরিবামগী থৌদোক্তা তাইবঙ মীরোল তাদ্রিবা অঙাং য়াওনা নুপীশিংবু তমথীনা হাৎখিবা থৌদোক্তু খঙশিন উশিন্নখিদ্রিবা করিগীনো। ইন্দিয়াগী শক্তি লৈরবা ব্রহ্মোস মিসাইলদুবু ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা কুকি টেররিষ্টকী মথক্তদি শীজিন্নবা য়াদবজাৎলা খঙদে। মতাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থাজবা থম্বা কনাগুম্বনদি হায়গনি কাশ্মীরগী থৌদোক্তি পাকিস্তানগা ইন্দিয়াগা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অনীগী য়েংথীনবা লানদুগী মশক অমনি। কুকিগী লান্দা অসিদি মণিপুর মনুংগীনি মসিদি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ষ্টেটকা তান্নরগা লোইশিনগদবনি হায়রি। ফরেনে অদুদি লোইশিল্লোনে। ম্যান্মারদগী হাইজিল্লক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়োকখৎলিবসিবু করিগীনো? ইন্দিয়াগী কলাদান প্রোজেক্টনচিংবা খরগী কান্নবা খরা ফংনবা তূমিন্না সুম য়েংদুনা লৈরগা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং মুখৎপদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মতেং পাংলিবরা হায়বগী ৱাফম লাকই।

মীতোপশিংদি নোংমা নোংমগী চঙশিল্লকপা লেপ্তে। মদুদগী ভোটর চনশিল্লক্কনি, ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরক্কনি। হৌজিক এম এল এ তরা কারিবা কুকি-জো কাঙলূপকী মীওইশিং অসিবু হান্না কয়া কারম্বগে। মখোয়না মশীং সুম হেনগৎখিদুনা হৌজিক্তি কাংপোকপীসি রিজার্ভ সিটকা চপ মান্নখ্রে। মফমসি কুকিশিংগী পার্মিনেন্ট রিজার্ভ সিট অদুম ওইরনি। অতৈ ফূরুপকী মীওইনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা ফংলরোই।

মীতোপ্পা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লক্তুনা মখোয়গী মহুম শাজিনখিবসিদি উনা উনা থিংবা ঙম্বা নত্তে। মীতোপ্পা লমদমসিগী মীহুৎ ওইবা হায়বদু জিরিবামদসু ওইখ্রেদনা। মীতৈনা জিরিবামদা মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এ ওইবা ৱানা থোক্লনি। মসি পূন্নমকসি ঐখোয় মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিং অদুনা মীৎয়েং শান্না য়েংবা ঙমদবা, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী অকেম্পাৎতা তাউদুনা লৈখিবদগীনি। ঐখোয়গী মীহুৎশিং মীয়াম্না শিন্নবা শক্তিদু পাম্মী অমসুং মদুবু লান্না মাগীতা ওইনা শীজিন্নে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা হায়বসি লাইরিক লাইশু হৈবা, ৱাখল-লৌশিং মপূং ফাবা, লৈবাক মীয়ামগীনা হান্না খনবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা অমা চঙই। হায়রিবা মগুণশিং অসি ঙসিগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংদা য়াওরিবরা হায়না মীয়াম্না য়েংবীয়ু। মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিংনা ষ্টেট এসেমব্লিদা খন্ন-নৈনদুনা লৌখিবা ৱারেপ্তুনা লৈবাকসিগী আইন ওইনা চৎনগদৌরিবনি হায়বসি কাউফম থোক্তে। লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা য়াম্না মুন্না খন্ন-নৈনবা মীহুৎশিংগী মথৌনি। চেঙ য়েনবা, ওল্ড এজগী পেন্সন য়েনবা, খোংবান কোৎপা হায়বদুদি মখা থাবশিংনা অদুম তৌজগদবা থবক্লি। লুরিবদি মখোয় মশেল লীংজেল মান্নদবা অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা থাংলিবা খোঙথাংসু খঙদবনিনা মণিপুরদদি পোপ্যুলর গভর্ণমেন্টসু লৈতে। প্রসিদেন্টস রুলনি।

লোইশিল্লকপদা, প্রসিদেন্টস রুলনা কুকি টেররিষ্টসিবু লাকশিন্দুনা মণিপুরগী ঈরাং লোইশিলহন্দুনা অনৌবা ময়োল অমা লাক্কদরা হায়রগা করিসু অওনবা পুরক্তে। মীতৈশিং তম্পাক লমদগী হেন্দোকপা ঙমদনা অদুমক লৈরি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা কুকি টেররিষ্টশিংনা ইনশিন্দুনা লাংলিবা কুকি মীয়ামগী পেন্ননবা হোৎনবদা মণিপুর মচেৎ তানা থুগায়বগী ফীভম অমদা লাক্লি। পূন্নমকসি মীয়াম হুপ্পা খঙমিন্নবগী মথৌ তাই হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘ইন্দিয়ানা অতোম্বী য়ানবা চৎপদা নুপী অহল ফুধরি’

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



ফুরিৎখাওদা হাপ্পা পর্চ (মনিবেক) ফনা চাউদুনসু শেল কয়াবু চন্দোইনো? বেঙ্ককী একাউন্টতা বেলেন্স য়াম্না থম্বা ঙম্বা হায়বসিদি লল্লোন ইতিক তৌবা নৎত্রগা শেল শান্নবা হৈবশিংগী ৱানি। চাওরাক্লা মীচম ঐখোয়না মীওইবা অমা ঐখোয়গী ইরক্তা শেল পায়রে খঙগে হায়রবদি পর্চ পায়বগী মহুত্তা শেগাদা পাইতু খাও অমা য়েপ্পবদি মহাক শেল পায়রে হায়না উবা য়াই। অদুগুম্বা পাইতু খাও অসি শেল হাপফম ওইবতা নত্তনা মোবাইল নৎত্রগা লাইসেন্সকী নোংমৈসু অদুম হাপ্পী। শেল পায়খৎলকপা মীওইশিংনা পাম্বসি অনৌবা নুপী মশক ফজবী য়েংবা নৎত্রগা অতোম্বী ওইনা লৌবা অসিনি। শেল পায়বা নুপা অমনা অনৌবা অতোম্বী ফজবী অমা লৌনবা হোৎনবদা অতোম্বী ওইনবা য়াহনবদা কিরা-কিরবা ৱাফম কয়া য়াথোকপা য়াই। সনা লৈবীনি। ইঙ্খোল শরুক নঙগী মিংদা থম্মী। ফজবা বিল্ডিং শানি। য়ানবা থেম্বদা হায়দবা লৈতে অতোম্বী পাম্বা নুপাগী চিনবান।

ইন্দিয়া অসি শেল পায়বা লৈবাক অমা ওইখৎলক্লি। মাগী শেগাদা অম্বানি+অদানি=কলাদান কৌবা পাইতু খাও অমা য়েপ্লি। বিক্সিট ভারত হায়বা অনৌবা স্লোগান লাউরি। কুমজা ২০৪৭তা মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাক ওইগনি হায়বগী মঙদা তাওরি। তোংলিবা খোঙউপ খুগাদা শেগাইবনা ঈশিং চংদুনা মনুংগী খোঙ মোজানা উতিন মনম চেল্লিবদুদি অউবশিংনা খঙবা নত্তে। নীংথিনা কাপ থারগা লংহল্লবা শউন খোঙউপ্পুনে, কলাদান কৌবা, শেল পীক থন্না য়াওবা শেগাদা য়েপ্লিবা পাইতুদু হেক উরুবদা পোপী লৈনা নাচোম ওইবী শকহেনবী য়ূমদাংবীদো অতোম্বী ওইনা লৌনখিবগী ৱানি। অতোম্বীগী শরৈ কয়াম কল্লমগনি য়েংবীয়ু। ইশম শম্না লৈশারিঙৈ কুমজা ১৯৪৭কী সেপ্টেম্বর ২১দা ৱারোইপোৎ পুরগা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৭তা লুহোংদুনা লৌনখিবা নুপী অহল মণিপুর ঐবু ওৎনীংবা মওংদা ওৎলিবসি শকহেনবী অতোম্বীগী শরৈনি করম্না হায়রোই। মণিপুর কৌবা লমদম অসিনা ফজবসিদি করিদা চাংদম্নরুনি। মণিপুরীশিংনা হায়বককা নত্তেকো ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুনা লমদমসে সনাগী মরূম কোকপী উচেক্লি, জ্বেল ওফ ইন্দিয়া হায়রম্লিবনি। য়েংবীয়ু চীংলোন মাপলনা অশংবা ফিজোল ওইনা চেকশিন্না শেৎচবী মপাঙ্গল কল্লবা সলাই ৭না লু-তোং ওইনা শেমগৎলিবা শক্তমনি। লোক্তাকনা খোইদৌ ওইদুনা মহাও শেংবা চীঞ্জাক্কী মফম, হিংবদা নুংঙাইরবা নোংজু-নুংশা, ঋতু ৬না কুমখাইরিবী, শিরুই লিলীনা নাচোম ওইনা ঙান্থোইরম্বদা ইন্দিয়ানা ঙাওখিবনি। অমুকসু বৃটিশকী নুমিৎ তাহনখিবা লমদমসি মহাক্লা কিরিবা অকনবা চাইনাগা থেংনহনগে খনখি মতমদুগী ইন্দিয়াগী লাইরিক হৈবশিংনা। মমা লৈবাক্কীদমক বোম টোপকী লানবু থাঙ-তাতনা থেংনখি বৃটিশ, মখোয়না খঙই। মায়থীগনি নৎত্রগা শিরগনি খঙনা খঙনা অপোকপী অপোকপদা ইমা লান য়াওরুগে হায়বা মচা পোকপীনি খঙখি ইন্দিয়ানা। লমদমসিগী নুপীশিংদি নোংমৈ মখোলদা চেনবা তৌদে। চোংশিন চোংশিন্দুনা নুপীলান হৌখিবা মফমনি খঙই ইন্দিয়ানা। পূন্নমক অসি জুরানগুম পঙবগী নত্তে। পোক্লফম মরৈবাক নুংশিবা, নীংবগী খুদমনি। ইমা লৈবাক মাঙখিগদৌবা লৈরবদি থৱায় মাঙখিবনা হেন্না ফৈ খনবা কাঙলূপকী লমদমনি খঙখি ইন্দিয়ানা।

ঙসিদি কাউরব্রা? ননুং লেল্লগা কাউরব্রা? চহীদা লুপা লাখ অহুমগী প্রিভি পর্চ (টেক্স) নিংথৌদা পীগনি ৱাশকখি। লমদমসিগী ঙমখৈ, সিক্যুরিটিদি শেল-থুম, মীয়ামগী য়াইফনবা চাওখৎ থৌরাং পূন্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌরগনি ৱাশকখিবনি লুহোংবগী থৌরমদুদা। ঈংনা চিক্লা হিংবা পাম্লুবনা লোইনা য়াথোক্লুরে। ওইদ্রে। জি জি, ৱাচৎ-ৱানোম, ওইজবা ফংবা খরবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা মীয়াম্না লুকমাইদা হাপ্লিবা, হয়িং ৱা ৱা ইল্লবা, মীনা লৈবীদ্রগনা দষ্টবিনদা লংথোকখ্রদৌবা ঙামোক্কী থাক্তা থম্বীবা হৌরকখ্রে। মসিদগী পেন্দ্রবা থৱায় কয়া খূৎতা য়োৎ পায়বা হৌরকই। নিরগা হিংবা লমদম ওইহল্লি। ষ্টেটহুদকী খোঙজং, লোলগী ঈহৌ, ঙসিনা লমদমসি ঈহৌতা তৌদুনা লৈবা মফমনি হায়না শনে দাক্লি। ঈহৌসিদি ইন্দিয়ানা হৌহনবনি। হৌনীংদুনা হৌবা নত্তে। নমদুনা হৌহনবনি। য়ূম্বানমিন্নরুবদি কৌবনিনা পোকখিবনি ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখিবা মচা কয়া। ইন্দিয়াগী মমায় ওইহনখিবা মমিং পনবদা চিথুগদবা য়াল্লবা শান্নরোয় কয়া। ইন্দিয়াগী লান্মী ওইদুনা ইন্দিয়াগীদমক থৱায় থাদোকপা ঙম্বা লান্মী কয়া পোকখিবনি মণিপুরনা। আর্ট এন্দ কলচরদা ইন্দিয়াগী মহৈকোনশিং পোকখি মণিপুরদা। সাইন্টিষ্ট কয়ানা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপদা মণিপুর মচানা অৱাংবা ফিদাদা ফম্লি ঙসিসু। ইন্দিয়াগীদমক অসুক য়াম্না হোৎনবা অসিদা করিগীনো মণিপুরবু মুখৎনবা খল্লিবা। করিগীনো খুৎনেক অতোম্বী শীজিন্নরিবা। য়ানীংদ্রিবা-পেন্নদ্রিবা, তৌহন্নীংবা-তৌহন্নীংদবা ৱারীনা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি মালেমগী লোনচৎনি। নোংমৈনা ৱারোইশিন পুরকপকায়দুদি ওইথোক্তবনি। অতোম্বীবু হূই ওইনা শীজিন্নরি। মনীংদগী শু-শু থৌজিল্লিবদো, হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে হায়দ্রিঙৈদা হান্না নখূৎনা নকোক্তা মাদুনা য়েংবগা চপ মান্নদ্রা, হন্দক্কী খ্বালতাবীগী ৱাথোক। নোংমৈ পায়বা সিফাইনা ষ্টেট অমগী মমিংবু মুখৎহনবা হায়বসি অদুদগী হেনবা হুরান লীচৎ করি লৈরি। লম্বীদা চৎপফাও ঙমদদনা নোংথক্তা হেলিকোপ্টরদা থৈরগা চেল্লিবদো নরাল লৈরে হায়রি নৎত্রো। লানখ্রবদি লাল্লে হায়জবদা করি কায়।

মণিপুরগী লৈমায়দা লৈরিবা অরোৎপা মীওইশিং ইন্দিয়ানা পোপীপুরবু অতোম্বী ওইনা লৌশিল্লগা ফানবা হোৎনবনি। মণিপুরীশিংনা খঙঙোই কায়নসু খনবা মাল্লি। য়েংবীয়ু মীরোৎতি ইন্দিয়ানি। উনসি য়াদবদুনি মীরোৎ। কোইচেন চেনবদুবুদি মীচেন, মীরোৎ, অন্দরগ্রাউন্দ। য়েংবীয়ু, মোদি মীরোৎ ওইরি, ভল্লা মীরোৎ ওইরি। মখোয়বু মণিপুরীশিংনা শেল য়াওদবা ৱান্টেদ লাউরি। খঙলে মণিপুরীশিংনা লমদমসিদা থোক্লিবসি ইন্দিয়ানা শান্নবা লাননি। মণিপুর মপাঙ্গল শোন্থনবা হোৎনবনি। ইন্দিয়ানা মণিপুরবু মচেৎ অহুম থোকপা পাম্মী। খৎনহল্লিবা মখোয়না খৎনদনবনি হায়বগী আইদিয়াদা। অকনবা ইন্দিয়া শাগৎনবা অশোনবা মণিপুর শেমনীংই। কলাদান কৌবা পাইতু খাও অদুতগী খন্দুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মচু অহুমগী ফিরাল য়ুংলিবা লমদম অসিবু শিংকুপ শানা য়ৈখায়রি। মপান্থোংদনা অতোম্বী শীজিন্নদুনা শীংজংনা য়াল্লি। মনুংদনা লাইশোন তৌবা মালহল্লগা শুমগুম্না চিকথৎলি। শুম্নসু চিকপা, শীংজংনসু য়ানবা য়ূম্বীনি হৌজিক্কী মণিপুর।

ইন্দিয়ানা তিন য়োৎলগা খন্থবীফম থোকপদি বৃটিশ ইন্দিয়াগী মতম (১৭৫৭-১৯৪৭) কী মনুংদা ‘দিভোর্স এক্ট ১৮৬৭’ হায়বা অমা চৎনরম্মী। মসিগী সেক্সন ৩৭তা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপা নুপী অনীদো মতম পূন্নমক্কী ওইনা খায়নবা য়াই। ৱাফম অমনা মর্জর এগ্রিমেন্ট হায়বসি পার্টি অনীগী য়ানবা চেরোলনি। পার্টি অনীমক্লা সহি তৌনদুনা পায়গনি। অসিগুম্বা চেরোল অসিদা পল্লিবা য়ানরিবা ৱারোলশিং পার্টি অমনা ঙাক্লক্তবদি এগ্রিমেন্ট অদু মথন্তা চৎনদ্রবনি। হৌজিক্কী মণিপুর কৌবা লৈমায়সিদা তৌবীরিবা মওংশিং অসি মর্জর এগ্রিমেন্ট চৎনদ্রে হায়না লৌবসু য়ারিবনি। ইন্দিয়ানা খল্লিবসে করিনো ময়েক শেংনা খঙবা নৎত্রগা হায়বা ঙম্বা লুচিংবা থোক্লকপা মণিপুরীশিংনা ঙায়নবগী ৱানি। মীয়াম অসি হিংনা হিংনা অশাবা খাঙদা লংশিল্লবা ঙা ওইহল্লে। অতোম্বীগী এজেন্দা য়াওবা শরৈবু পোপী লৈনমগা লোয়ননা ঙাওহল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কোক্লা অফবা লায়েংশঙদা চৎতুনা ৱাখল তানবা হোৎনবগী মহুত্তা কুমজা ১৯৪৭তা লুহোংদুনা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপী অহল মণিপুরবু ফুবা তোক্ত্রবদি ইপা-ইপুনা অউনপোৎ ওইনা হাপখিবা মর্জর এগ্রীমেন্ট শেগাইনবা মীয়ামসিনা হোৎনরকপা য়াই। ●

# মণিপুরগী লৈহৌ মীওইশিং

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

নোংমা এপ্রিল ১০গী নুংথিল পুং ১ তাবদা চনা লুখোইনা ইবা লাইচৎলোনগী ৱারেং খরা কৌবা লাইরিক অমা প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পব্লিক লাইব্রেরি ময়াং ইম্ফালনা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকই। চনা লুখোই আর্ট সেন্টরনা পব্লিক লাইব্রেরি ময়াং ইম্ফালগা খূৎশম্নলা অৱাবা নুংঙাইবা কয়া মায়োক্নদুনা মতম অসিগী পুথোক্লিবা ফোঙনরিবা লাইরিকশিংগী মরক্তা পংতা তাথবা অমদি ওইখিদে। ৱারেং ৩১ য়াওই। কৈথেল্লাকপম দীনমনি, দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর মণিপুর, চনা লেম্বী প্রসিদেন্ট, চনা লুখোই আর্ট সেন্টর, নিংথৌখোংজম সুন্দরি ভাইস প্রসিদেন্ট, পব্লিক লাইব্রেরি ময়াং ইম্ফাল অমদি সলাম তোম্বা প্রসিদেন্ট ক্বাদ রাইটর্স, মোইরাং মথক্কী মীওই মরি অসিনা থৌরম অসিগী প্রসিদিয়মগী লৈতেং ওইবিখিবা য়াম্না চীং লেম্বা থৌরম অমা ওইখি।

য়াম্না কোয়থোক্তনা লাইরিক অসিবু মশক তাকপীখিবা সলাম তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা মীতৈ কংলা অসি ৩৩ এ দিদগী নিংথৌ মথং-মথং পান্দুনা লাকপা অদুগা মোইরাং কংলৈরোলদি যিশু খৃষ্ট পোক্কদৌবা চহী ৫০ ঙনখৎনা মোইরাং নিংথৌ পানবা হৌখ্রে তাকপীখি। খুদিংমক থিগৎপা, খন্নবা-নৈনবা কয়ানা পুথোরকপা শোয়দনা ওইবীরমগনি। মসিনা তাকই মণিপুর অসি চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারী লৈবা লৈবাক অমনি হায়বা অসিমদি চেনবা য়াররোইদবা, শেমদোক-শেমজিন-শাজিনবা-হায়জিনবা-তৌশিন্নবা য়াবা লৈবাক নত্তে হায়বা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা ফূরুপ চা খুদিংনা খঙমিন্নসি, তান্নসি, লৈমিন্নসি, হিংমিন্নসি। নত্তদুনা পরিং নাইনা চথরক্লিবা মতম মতমগী থৌদোক ৱাথোক কয়ানা শেমখ্রবা শাগোন্ননা চৎলিবা পুৱারীবু কুকি খরনা মণিপুরদা এঙলো কুকি ৱার থোকখি হায়দুনা হায়জিনবা ইশিনবা কয়ানা মণিপুরগী মশাগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা পুৱারীবু মীয়ামদা চমম্নবা মরিং-মরাংবা অমা ওইনা উহনবদি তৌদবা ফৈ। চহী লিশীং অহুমগী পুৱারী লৈদুনা মীতৈনা লাই হরাওবা অমদি হিংলিবা পূন্সি মহিংদা তৎনবা থানবা য়াদনা লাক্লবা কবুই তম্পাক লমদা খুন্দারিবা অমদি চীংগী মফম কয়াদা খুন্দারিবা লেংমৈ, জেমৈ, তাঙ্খুল, মাও, মরাম, থাঙ্গাল, মরিং, তরাও, অনাল, চোথে, চিরু, লমকাং, মোয়োন, পাওমৈ, কোইরেং, আইমোলনচিংবা মখোয় অসি মণিপুরগী লৈশেমলোন্দগী লৈরক্লবা মীতৈ হায়বা কাঙলূপ ফূরুপকী লাই হরাওবদা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা তৎনবা থানবা য়াদনা লাক্লবা ফূরুপনি। ঙসি খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হাওকিপ, শিতলহৌ, শিংসিৎ, গাংতে, সিমতে, তৌথাং, মিশাও, ৱাইফৈ, জৌ, থাদৌ, মার, মিজো, লুসাই কয়া অমসু তপ্পা তপ্পা মণিপুরদা খুন্দাদুনা হিংমিন্নদুনা লাক্লবনি। অশেংবা য়েলহৌমী অদুদি হায়জিনবা শেমজিনবা পুৱারীবু লান্না ইশিন্দুনা হায়জিনবা খক য়ারোই। ঙসি লাকপা, ঙরাং লাকপা, নহান লাকপা খুদিংমক মীওইবনি। তৌবতবু লৌ মপু য়োংনা তানবা, য়ূমদাংবনা কৈনাইবা খক তৌরোইদবনি। মদুনা মীতোকচাক, মীথিঙ্গাই, মীতম্বালদি ওইগে হায়না খক খনফদে। পুৱারীদা ময়েক শেংনা লৈবা ঙাক্তনি। তরাও ইচিল ইনাওশিংনা শাবা ফিঙাইরুক, মরিং ইচিল ইনাওশিংনা শাবা মখল মখা কয়াগী পোথোক, ৱা-লীনা শাবা পোৎ কয়া মণিপুর তম্পাক লমদমদা লৈবা ইমুং খুদিংমক্কী ইমুংদা শীজিন্নদুনা ঙসিদগী নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী তৎন-থানদনা লাক্লবনি। খুদম ওইনা অহল-লমনশিংনা মচা পিবা কয়া, মচা নিঙোল কয়া, মনুং মতম চারবা ময়ূম মকৈ পানবা য়ারবা মতম ফাওবা মাগী মাগী নুংশি চান্নবা কনাসু লৈত্রবা, মশুং মমান্নবা কয়ানা ময়ূম মকৈ পান্দুনা চাদা নাওদাবা য়াওখ্রবদা নুংশা থিরবা মমা মপা ওইরিবা অহল লমনশিংনা প্রমান পান্থে, পাউরৌ পাউতাক ওইনা শীজিন্নবা ‘মরিংনা শাবা শংবাইবু নাম্মা হাঙবা হৌনবরা’ হায়রিবসিমক মীতৈ অহল লমনশিংনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী শীজিন্নদুনা লাক্লবা প্রমাননি, পাউরৌনি/পাউতাকনি। মহৌশানা মরিং ইচিল ইনাওশিংনা শাবা থুমোক, তাইরুক, শংবাই-লিখাই-লাইতং, মেরুক-চেংজাম্মুক, খরাই-পোলাং অমদি ফৌরা খুদিংমক শাবু শারবদি অনীদি শোয়দনা শাই। অমত্তা নাম্মা তানা শাদে হায়দুনা পোল্লবা মচা পিবা নিঙোলশিংগী মফমদা মরিংনা শাবা শংবাইবু নাম্মা হাঙবা হৌনবরা হায়দুনা পুৱারীগী খোঙচৎ য়াওনদা য়াওদুনা লাক্লবনি। মসিনা মরম ওইদুনা চহী লিশীং অহুমগী মথক্তা পুৱারীগী খোঙচৎতা য়াওমিন্নরক্লবা চীংবুরোই-তম্বুরোই অনীগী মরক্তা ফৌজেক-ফৌগাই ফৌমান কয়ানা খুন্নাই অসিবু হেক হেক থাশিগী অহিংদা নোং নুংশিৎ শিৎচিন্দুনা মশেং মরাং উহন্নবা হোৎনরকপা কয়া চহী ৪০/৫০ অসিদা থেংনদুনা লাক্লবনি। মীতৈগা-কবুইগা, রোমৈ, জেমৈ, লিয়াংমৈ, মীতৈগা-মোয়োন, লমকাং, মোন্সাং, আইমোল, অনাল অমদি মীতৈগা-মাও, মরাম, পুরুম, পাওমৈ, চিরু, চোথে, খারম, খোইবু, থাঙ্গাল, কোইরেং, তাঙ্খুলনচিংবা কয়াশিং অসি হৌমিন কামিন্নরকপগী লৈশেম লৈতারকপগী খুন্দা লৈতারকপগী পুৱারী অদুমক লৈবা ঙাক্তনি। চহী লিশীং অহুমগী খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা চীংবুরোই তম্বুরোই অনীগী নুংশিনবগী মরীদা শিংচেপ থাদুনা মরী তৎনবা হোৎনবা ফৌমান ৱাইরুনা মফম মরাং খঙদনা চাইশিন্দুনা ঙসিগী তংদু লৈতাদবা পূন্সি মরেল অমদা লাকহল্লিবা অসিমক ফৌজেক ফৌগাই ফৌমাল ৱাইরু কয়ানা থোকহনবা য়েলহৌঙৈগী পুৱারীগী ফিদা ফংলক্তবা মীশি মীনা, লন-থুম, হুরান-চিন্থি তৌবা মসিদা নত্তন মণিপুরী ফূরুপ্পু মরূ ফংনা মুৎখিনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল মখল পুথোক পুশিন তৌদুনা, য়োন্দুনা, চাহন্দুনা নহা কয়াগী পূন্সি মাঙহল্লিবা খুদিংমক পুৱারীগা লোয়নরক্তবা মীতোপ মীয়ান কয়ানা থোকহনবনি হায়বা অসিদা করিবু ককনীংঙাই লৈরিগে।

কুমজা ১৯৫৬কী নবেম্বর ২২দা টি কিপজেন সেক্রেটরি টু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা থোকপা গেজেট অদুদা সেদ্যুল্ড ত্রাইবনি হায়দুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা শক খঙখিবা কাঙলূপ্তা য়াওরিবদু আইমোল, অনাল, অঙ্গামী, চিরু, চোথে, গাংতে, মার, কবুই, কাচা নাগা, খোইরাও, কোইরেং, কোম লমগাং, এনি মিজো (লুসাই), মরাম, মরিং, মাও, মোন্সাং, মোয়োন, পাইতে, পুরুম, রালতে, সেমা, সিমতে, সুহতে, তাঙ্খুল, থাদৌ, ৱাইফৈ অমসুং জৌ অসিনি। মসি নত্তবা ধোবী, লোইজ, মুচ নৎত্রগা রাভিদা, নাম সুদ্রা, পাটনি, সুত্রাধার অমসুং য়াইথিবী অসিনা সেদ্যুল্ড কাষ্টনি হায়না শকখঙখিবনি। মসিদা য়াওদবা কয়া য়াওশিল্লকপা, হাপচিল্লকপা পূন্নমক ঐনা-নঙনা হাপচিনবা লৌথোকপা ঙম্বা নত্তে। মতম মতমগী লৈঙাক অদুনা থাখিবা পাম্বী চারা কয়াদুনা পান্দোং ফারক্লগা চু থারগা চুহী, নোংমাংখা থারগা নোংমাংখাগী মহয় মীয়াম্না ফংবা তাবনি।

নোংমা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা এ পি জে অবদুল কলামগা জর্নেলিষ্ট প্রনাব রোয়গা উনবা অমদা হায়খিবা, হংখিবা - প্রসিদেন্ট অমা ওইবদা করি করি চঙবগে হায়বা ৱাহংগী পাউখুমদা অবদুল কলামনা খুমখিবদু ঐখোয় পূন্নমক খঙমিন্নবা য়াই। প্রসিদেন্ট হায়বা অসিদি ব্যুরোক্রেসিদগী লাকপা য়াই, পোলিটিক্স তৌরিবশিংদগী লাকপা য়াই, উকিলশিংদগী লাকপা য়াই, জজশিংদগীসু লাকপা য়াই তৌবতবু মহাক অদু নুপা নৎত্রগা নুপী ওইরবসু হ্যুমেনিটরিয়ন ওইগদৌবনি হায়দুনা খুন্বীখিবদুমক তাইবঙপানবু শেন্বীরিবা মপুমক্কী ৱাহৈগা চপ মান্নবা পাউতাক্লি। ঐখোয় মীয়াম য়াইফনবা লৈবাক ঙাকপনি হায়বসিগী ৱাংমদা পোলিটিক্স তৌরিবা কাঙবু খরনা শেন্দানফম মীওই লিশীং লিশীং ভিক্টিম ওইনবা লম্বীদা পুদুনা চৎনবা হোৎনবা পোলিটিকেল পার্টি, লৈবাক ঙাকপদা মতেং পাংলিবা সেক্রেটরি, কম্মিস্নর অমদি সিক্যুরিটিগী লৈবাক ঙাকপদা মতেং পাংবখক নত্তনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা আই পি এস কয়ানা অমগা অমগা তান্নদুনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগা খূৎশম্নলা চৎপা মথৌ তাই।

ঙসি ঐনা ফংলিবা ফল অসি ঙরাং ঐনা তৌখিবা থবক অদুগী মহয়নি হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা কাউফদবনি। মণিপুরগী ইশা ইশাগী থাক য়েংদনা অচাওরম পাম্বা, থাক ৱাংবা শারুবা, মতম মতমগী মীচং খোম্নবা হোৎনবদা মীওই কাঙলূপ ফূরুপ কয়াদা অরানবা কয়া অচুম্বনি হায়খিবা কয়াদুগী মহয়নি, ১৯৫৬তা শুকয়াও য়াওদবা কাঙলূপ ফূরুপ কয়া সেদ্যুল্ড ত্রাইবনি হায়বগী অয়াবা পীরুবা মীতৈদি অজুনগী চাদা নাওদানি, অৱাংবা থাক্কী মীওইনি হায়বা হৈ-শিংবা কয়া অমা বোধচন্দ্র মহারাজনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈ মতমদা মণিপুর ইন্দিয়াদা পূনগদৌবনি লাউখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদুগী মহয়নি ঙসি ঐখোয়না খাদা-ৱাংদা নোংপোক-নোংচুপ কোইথৎ থৎলগা লৈরিবা, লোংউপ্পা উপশিন্দুনা থম্বা মতমদা মরক মরক্তা কাওনয়েন অনী কাওনহনবদা কুম্মৈ ওইনা য়েংবীরিবা ভদ্রলোক ভদ্রামুহিলা ঙসিদি খা চিক্তুনা তকশি শোনবা নত্তনা করি তৌগনি। ঙসিদি লৌ মপু য়োংনা তাল্লে, উতাংবীনা উপাল চাথৎপীরে, কুম্মৈ য়েংবা পাম্বনা কুম্মৈ য়েংলি। অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা লৈহৌ মী পূন্নমক চহী লিশীং অনীগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা চীংবুরোই তম্বুরোই পূন্নমক মীকপ থোকপীরো, চাক্লিবা মৈনা তাঙ্গোই ওনদ্রিঙৈসিদা। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।